Unique ID No. MN/2015/0088389 of May 2015

RNI 22347
ISSN 2348 - 2044




# ꯔꯤꯇꯨ

# ঋতু

৬০ শুরকপা চহীগী অখন্নবা ১৭৯-১৮০ শুবা মশীং

ফেব্রুৱারী - এপ্রিল ২০১৮

ꯗ ꯀꯜꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ

দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর

রুপমহল টেঙ্ক কমপ্লেক্স, বি. টি. রোদ, ইম্ফাল - ৭৯৫০০১

www.culturalforummanipur.org

email - journal.ritu@gmail.com

# য়াওফম তাকপা


| | | |
|---|---|---|
| এদিটরগী ৱারোল | ঃ অরিবা মণিপুরী খোরিরোলগী মতাংদা | ৩ |
| অৱাবা ফোঙদোকপা | ঃ | ৫ |
| ৱারেং | ঃ ডিকনষ্ট্রক্সন ঃ লাইরিক পাবগী থীওরী অমসুং প্রাক্তিস —*প্রো কে ঐচ কুঞ্জো* | ৯ |
| | ঃ মণিপুরী সাহিত্যদা নুংশিবা (Love) অমসুং অপাম্বা (Lust)— *হাওবম ননীকুমার সিংহ* | ১৫ |
| | ঃ পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ ফোকলোরিষ্ট অমা ওইনা — *দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ* | ২১ |
| | ঃ ইকো ক্রিটিসিজমগী মিথয়েংদগী মহৌশা অমদি মীওইবা — *তোঙ্ব্রম নরমদা দেবী* | ২৯ |
| | ঃ শ্রীবিজমণি দেব শর্ম্মাঃ এদুকেশনিষ্ট অমা ওইনা — *দব্লিউ, এনজেলা* | ৩৪ |
| | ঃ মণিপুরি ঈশৈ ময়েক্তা য়াওরিবা সাহিত্যগী গুন —*শ্রী শগুলাকপম অচৌ শর্ম্মা* | ৩৪ |
| | ঃ ভারতকী এজুকেশন্দা অমেরিকাগী ইথিল —*ৱাংখৈরাকপম জেন্দ্রজিৎ সিংহ* | ৪৫ |
| ৱারীমচা | ঃ কেস দায়রী —*মৈইরাংথেম রাজেন* | ৪৯ |
| | ঃ নেলতটর — *উদয় প্রকাশ (হন্দোকপা : ৱাইখোম চীংখৈগানবা)* | ৫২ |
| | ঃ অশেংবদুদি হায়দোক্লরেই —*ময়াংলম্বম কান্দেশ সিংহ* | ৫৪ |
| শৈরেং | ঃ হায়জবা—*খুমন্থেম প্রকাশ* | ৫৮ |
| | ঃ হৈখা মপাল—*আর.কে. ভুবনস্না* | ৫৮ |
| | ঃ ইবুংঙোগী খুয়া-খা—*আর.কে. ভুবনস্না* | ৫৮ |
| | ঃ তিংখং —*নাওরেম বিদ্যাসাগর* | ৫৯ |
| | ঃ থোরক্লে নীংতম্বগী অশেংবা নুমিৎ —*খোইসনাম ওংবী বীরলা, ত্রিপুরা* | ৬০ |
| | ঃ নূপী অমত্ত গান্ধারীগী মপোক্তা পোক্লসনু —*রীতা বরুৱা(মণিপুরী: নোংমাইথেম কিরনকুমার)* | ৬১ |
| | ঃ মায়খুম নত্তে — *কোঞ্জেংবম সরিতা সিনহা* | ৬২ |
| | ঃ ৱারী—*নোংমাইথেম কিরনকুমার* | |
| | ঃ হুমাংমন — *নোংমাইথেম কিরনকুমার* | |
| | ঃ হায়খিদ্রবা ৱারোল — *ঝুমুর পান্দে(মণিপুরী: নোংমাইথেম কিরনকুমার)* | ৬৩ |
| | ঃ কীন্থরবা ৱাখল — *থোকচোম চন্দ্র* | ৬৪ |
| | ঃ য়েংনিংদে — *রামেশ্বর শারুংবম* | ৬৪ |
| নাৎ | ঃ মনোহরশাহি হৌরকপা — *এল বিদুর সিংহ* | ৬৫ |
| | ঃ সেকমাইগী শিংজু — *য়াইস্কুল খাইরাকপম* | ৬৮ |
| | ঃ মণিপুরী কলচরগী তোপ তোপ্পা মশক-ডা. ৱাইখোম রোমেস | ৭২ |
| *ফোকলোরগী লমায়* | ঃ ফোকলোর করিনো ? — *দা য়ুম্নাম নন্দিনি* | ৭৫ |
| | ঃ ককচিং জিলাদা পাউরৌগী থৌদাং — *দা ক্ষেত্রিময়ুম কিরন সিংহ* | ৮০ |
| *উন্নরুবগী পাউদম* | ঃ শক্লাইরবা এডুকেসনিষ্ট এলাংবম য়াইমগা মিকুপ খরা | ৮৩ |
| জেনরেল সেক্রেটরিগী বারোল | ঃ ক্ষেত্রি রাজেন | ৮৭ |

# পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ্ ফোকলোরিষ্ট অমা ওইনা

– দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ

*..., folklore is very much an organic phenomenon in the sense that it is an integral part of culture.*

*–Dan Ben-Amos*

পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (১৯১৭–২০১১), মণিপুরী নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা থাদোক্লবা য়াদ্রবা য়াম্না মরুওইবা মীশক অমনি। মণিপুরী খোরিরোল অসি নাংকী শরুক অমা ওইবনা মহাক্না মণিপুরী খোরিরোলবু চাউখৎনবগী লমদা তোঙান তোঙানবা শীংথানবা য়াবা থবকশিংসু তৌরম্মি। মহাক অসি মণিপুরী ফুরুপ অসিগী শীংথানিংঙাই ওইবা পণ্ডিত, আরকাইভিষ্ট, লেকসিকোগ্রাফর, সমালোচক, এষ্ট্রোলোজর, এথনোগ্রাফর, লিঙ্গুইষ্ট অমসুং ফোকলোরিষ্ট অমনি। ময়ামসিগী মথক্তা মহাক অসি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস ইবা লময়ানবা মীশক অমসুনি। পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা মণিপুরী খোরিরোলবু চাউখৎনবগীদমক্তা থায়নগী অরিবা মীতৈ ময়েক্তা ইরম্বা লাইরিকশিং বাংলা ময়েক্তা ওন্থোক্লগা ইথোক্তুনা অমসুং লাইরিক কয়ামরুম ইদুনা থম্লম্বা মীশক অমনি পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ। মহাক্না ইরম্লিবা লাইরিকশিং অমদি অরিবা মীতৈ ময়েক্তগী মণিপুরী বাংলা ময়েক্তা ইথোকক্তুনা থম্লম্লিবশিং অদুগী মনুংদা লাইরিক কয়ামরুমদি মণিপুরী ফোকলোরগা মরী লৈনবশিং য়াওরি। ফুরুপ অমগী খোরিরোল শেমগৎপদা ফুরুপ অদুগী ফোকলোর চঙদবা য়াদে। ফোকলোরনা ফুরুপ অমগী খোরিরোলগী অচৌবা যুম্ফম অমা ওই। মরম অসিনা মণিপুরী খোরিরোল চাউখৎনবা হোৎনবদা ফোকলোরনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বসি পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা য়াম্না মুন্না খঙই। পুন্নমক অসি খঙবদগী মহাক্না মণিপুরী ফুরুপকী ফোকলোরগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং ফোঙদোক্লম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা মহাক্না ইবা লাইরিকশিং খরদা ফোকলোরগা মরী লৈনবা কয়ামরুমসু নৈনবীরমই। পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা থম্বীরম্লিবা লাইরিকশিং অসিনা হৌজিক হৌজিকমকসু মণিপুরী ফোকলোরিষ্টশিংদা অচৌবা মতেং ওইরি। পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ অসি মণিপুর মপানগী মমিং চৎলবা আসামিজ স্কোলর প্রোফেসর মহেশ্বর নিয়োগ ফাওবনা মণিপুরী পণ্ডিত অসি মণিপুরী নাং অমসুং ফোকলোরবু নীংথিজনা খঙবা অমনি হায়দুনা ঈকাই খুম্নে। অমুকসু ফোকলোরগী সেমিনর অমদা ভারতকী মমিং চৎলবা ফোকলোরিষ্ট দা জবাহরলাল হন্দুনা পণ্ডিত খেলচন্দ্র অসি 'Encyclopaedia of Manipuri Culture' হায়না হায়খিবগী রাফমসু লৈরি। মরমশিং অসিদগী পণ্ডিত অসি মণিপুরী ফোকলোরিষ্ট অমনি হায়না লৌবা য়াই। রাফম অসিবু অচুম্বনি হায়না উৎনবগীদমক্তা পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা থম্বীরম্বা লাইরিকশিং খরা মখাদা নৈনজরি।

পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা মণিপুরী নাৎ, ফোকলোরনচিংবগা মরী লৈনবা লাইরিক থম্বীরম্বশিং অদুগী মনুংদা খরদং পল্লবদা— *থায়নগী শৈরেং* (১৯৬৬), *চাদা লাইহুই* (১৯৬৬), *চায়নরোল* (১৯৮৬), *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*

(১৯৬৯), *অরিবা মণিপুরী লোনগৈ* (১৯৭৮), *চোথে থাঙজায় পাখংপা* অমসুং *নোংপান পোমপী লুৱাউপা* (১৯৮০), *চীঙ্গোইরোল* (১৯৮২) অসিনচিংবশিংনি। মথক্তা পঞ্জরিবা লাইরিকশিং অসিদা য়াওরিবা মণিপুরী ফোকলোরগী মচাকশিং অদু তাক্লবা মখাদা হোৎনজরি। মসিগী মরুওইবা মরমদি পণ্ডিত খেলচন্দ্র অসি মণিপুরী ফোকলোরিষ্ট অশেংবনি হায়বদু খূদম কয়ানা উৎনবা হোৎনবনি।

*থায়নগী শৈরেং* (১৯৬৬) কৌবা শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ঈশৈশিং অসি হৌজিক্কী মতমগী ফোকলোর নৈন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। মদুদি ১) ধর্ম অমদি ঈরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈ (Religious and Ritualistic Song), ২) খূৎলং ঈশৈ (Love Song) অমসুং ৩) শিনশু-শিনবাং ঈশৈ (Work Song) অসিনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা য়াকৈবা, পাখংবা লায়েনশৈ, নোংলাউ ঈশৈ, হিজন হিরাউ, লৌতা ঈশৈ অসিনচিংবশিং অসি ধর্ম অমদি ঈরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈ ওাক্তনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা 'য়াকৈবা' কৌবা ঈশৈগী মতাংদা খরদং হায়রবদা ঈশৈ অসি মণিপুরী ফুরুপকী নাৎকা মরী লৈনবা হৌজিক্কী মতম ফাওবদা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী লৈনরিবা ঈশৈ অমনি। ঈশৈ অসি লাই-হরাউবগী নিনী চনবা নুমিৎতগী হৌনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীবু হৌদোক্লবগীদমক্তা পেনাগা লোয়ননা শক্লবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি নিংথৌবুসু খোমলেন তুমখুল্লুবদগী য়াইকায়হন্নবা শকপা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিদা মণিপুর চীং তমগী অমদি য়ুমথংনবা লৈবাক্তা নোংঙাল্লে হায়বসি করম করম্না উচেক-ৱায়ানা খোঙবগে হায়বদু তাক্লি। মসিগী মথক্তা ঈশৈ অসিদা য়াকৈগদবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মশক মমিং, মতীক-মগুন অমদি লম-লমদুগী লম্মিৎ-তুমিৎ শৈথাই। ঈশৈ অসি নোংঙাল্লকপগী মতম্মু শৈথাদুনা শকপা অমনি। অহানবগী শৈহৌদা তেংবানবা মপুবু খুরুম্বগী ঈশৈ মতেক খরা মখাদা পীরিঃ

চীংঙু খোইমোম লাইনিংথৌ
ইনুং ঙাল্লে য়াওল্লো,
হাওরৈ নোংপোক পাংবদা
সনা চীংদোন পোক্তগী
মশেক মঙান লোয়ননা
মঙাং গুরু চকৱায়রে,
কোরৌ নোংদোন ঙাল্লক্লে।

(*থায়নগী শৈরেং*, লাঃ ১)

অমুকসু 'য়াকৈবা' অসিদা মোইরাং মায়গৈদনা শোয় চাফমগী মরুমদা লৈবা উথুম্না, ঔৱাগী লমদনা শোংগ্রী লৌঙাকপীনা ওনখিবনি হায়না থাজনরিবা তেনৱা, মণিপুর লৈবাক্তনা চরোই, ৱাকনচিংবা উচেকশিংনা অমদি মরিংগী য়েনগোন্দা য়োকপা অঙাংবা, অমুবা, অঙৌবা য়েনশিংনা চাক্তাবা উদরে নুমিৎ থোকপীরক্লো হায়বদু উৎলি। উথুমগী ৱারী অসিমক ফোকলোরগী মচাক অমনি। মসিগী ৱারীদি হৈরেম খুন্দা লৈরম্লা কাচেং লায়বানা খুমনগী হোঙনেম্বগী থবক অমদা মহাক্কী শরূক থুংলমদবগী খুমনশিংবু নোক্লরমই। মসিদা খুমনবু কিবদগী চেনখিদুনা 'লৈতাঙ য়ুম্মোইকোন লালোই পাউবীতেক্তা শোয়রেল ফুম্বী চঙনা লোৎখিবদগী কাচেং লায়বগী মতালোয় মপুরোইনা হুন্দোক্লবী ওইবনিনা হিংলদুনা কান্নদরে খনবদগী লৈতাঙ য়ুমোইকোন্দা লাক্তুনা শোয় চাফমগী ফুম অচৌবা মরক্তা চঙদুনা উথুম ওনখি হায়না থাজনরি। শোংগ্রীনা তেনৱা ওনখিবগী ৱারীসু লৈরি। কৌব্রুগী মচানিপা কৌবা অঙাংঙানা পোক্লম্বা য়ুকোকথোং য়াইমবানা কবোগী লমদা চৎলগা কৌথক খোংঙাং ঙৌবা হায়না খঙনদুনা চাক্তাং-ফিদাংখি। মতম অসিদা হাওনিংশং পৌদোংনু কৌবীবু লৌদুনা মতম খরা লৈমিন্নরমই। মতম খরা লৈরগা হাওনিংশং পৌদোংনু মশা ৱায়শংদ্রবা মতমদুদা মহাক্কী নুপানা মহাকপু হুন্দোক্লম্লগা লৈত-লায়র কোক্লবগীদমক্তা ললোনবা চৎথোকখি। মতমগী মতুংইন্না পৌদোংনুনা মচানুপী অমা ফংজরমই। মচানুপী অদুগী মমিং শোংগ্রী কৌরমই। শোংগ্রী চাউরক্লদুনা মমানা লৌঙাকপা চৎহল্লমই। অদুবু

নোংমদি কুমজা কয়া কায়নরবা তুংদা কৌথক থোংঙাং ঙৌবনা ময়ূমদা হল্লকপদা শোংগ্রীনা লৌ ঙাক্লম্বদু থেংনরুরে, মচানুপীনি খঙদবা মরম্না নুংশি–পাউমেন্নদুনা চিঙ্গোয় পাউরান্নদা শিংলেন শেৎথনা লৈরাং খাইথননা নুরা হীগোক কুম্বাললৈবু কুমজিং পরয় থোক্লখি। শোংগ্রীনা ময়ূমদা হল্লকপদা ফমেন্দা কৌথক অদু ফমদুনা লৈরম্বা উবদগী নিংথি তুরেন্দা অহিংদা চোংথদুনা শিখিরমই। শোংগ্রীনা পৌদোংনুগী মমঙদা হায়জরবগী মতুংইন্না নিংথি তুরেলদা লোং খোন্দুনা য়েংবদা মচানুপীবু ফংদরে। ময়ূমদা অমুক হল্লকলে। অমুক মমাগী মমঙদা নুং ওইদুনা লৈরাইদা লৈরে। মহাকপু ফিরোল ৬ না কুপশিন্দুনা নুমিৎ ৭ থগ্রীয়ু মী ওনবা ঙম্বা য়েংগে হায়বগী মতুংইন্না মমানা মমঙদা হায়রম্বা লোয়নমক তৌরে। অদুগা নুমিৎ ৫ নি শুবদা ফি হাংদোক্লবদগী শোংগ্রী অদু তেনৱা ওনখিরমই। মরম অদুনা ঔৱাদদি শোংগ্রী লৈঙাকপীনা ওনখিবা তেনৱানা খোঙলগা নোংঙাল্লি হায়বদু তাক্লি। 'য়াকৈবা' অসিদা য়াওবা মতাং অদু মখাদা পীরিঃ

মিয়ম মোইররাং মায়গৈদা
য়াকৈবা পোগ্নী 'চেক্তি
মোমনু তালোয় মরুপ্নী
অতোপ্নীনা ওইখি 'চেক
লৌক্তাক উথুম খোন্নৌচা
ফূপ্নী শোয়রেন য়াঙবীদা
চেকলানা তুম তুম য়াকৈনৈ।
চেকলা খোঞ্জেল তাবদা
ময়ূম কেগে মোইরাংনা
ঈনুং ঙাল্লে খঙনখি।
ময়িম শেনবী ঔৱাদা
য়াকৈবা চেক্লা চাদি
শেনবীচা কবো শোংগ্রী
লৌঙাকপীনা ওইখি 'চেক
চেকলা চাদি তেম্বানা
ঈনুং শীঙখোঙ য়াকায়নৈ।
মৈতৈ পোইরৈ পুংসিদা
য়াকৈবা চেকলা চাদি
চরোয়না তেতু খোংনৈ
থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক
হেম্বা মুবা পাউহনচেক
কাক্লা লানবাউ চেনবদা
ময়িম পোইরৈ মৈতৈনা
ঈনুং ঙাল্লে খঙনৈয়ে।

(*থায়নগী শৈরেং*, লাঃ ২–৩)

শৈরেংগী শৈরোল, লাইগী থৌরম তৌবদা, মীয়াম তিনবদা, নিংথৌনা তুম্লবদগী হৌগৎনবা হায়জবদা অশৈবশিংনা পেনাগা লোয়ননা নিংথিবা শৈহেক্লা শৈশকই। অসিগুম্বা শৈশক অসিগী শৈরোলবু য়াকৈরোল শকপা হায়না মণিপুরী ফূরুপ্লা খঙনৈ।

*থায়নগী শৈরেং* লাইরিক অসিদা মণিপুরী লাই–হরাউবগী লাইরোই নুমিৎতা শরুবা ঈশৈ 'হিজন হিরাউ' অসি মৈতৈ ফূরুপকীদি য়াম্না মরুওইবা লাইনীং লাইশোন অমদি নাৎকা মরী লৈনবা অমনি। ঈশৈ অসিদা উ অমা য়ানবদা করি করি তৌগদগে তাক্লি। ফূরুপ অসিগী হি শাখিবগী ৱাশু পল্লি। মসিগী মথক্তা ঈশৈ অসিদা লাই–হরাউবগী মরম করিনো হায়বদু তাক্লি। অমুকসু লাই–হরাউবদা পেনানা লাই য়াকৈবা, মাইবীনা করি করি তৌগদগে হায়বদু তাক্লি। 'হিজন হিরাউ' অসিদা মহৌশাগী পোৎশকশিংবু মথৱায় পানবা ওইনা শৈথাবা অসি য়াম্না অৱাংবা থাক্কী খোরিরোলগী মখল অমনি। ইংগ্লেলচীংগী লোকমায়না উজাউ পাগ্নী অসিবু পোকচবা মপা ওইহল্লি। অশুকপা লোকচপ অদুনা পামেল অচৌবদুগী পলেম মমা ওইহল্লি। নুমিৎ–থা য়েংবগুম য়েংজদুনা লৈরিবা অমত্তা পোকচবা অদুবু হয়েং নোংঙাল্লগদি উবা ফংলরোইদৌবা হায়বদি কায়নগদৌরিবা মচাগীদমক অহিং অদুদা শৈথাজবগী শৈরোল অদুগী মতেক খরা মখাদা পীরিঃ

অহিং ঈনুং শোয়য়ায়দা
পলেম মমা শাৎমাবী
উপী উরেন পোকপী
মালেম তমপাক লৈরেনহনবী
চীংশাং নাপোম লৈমা
... .... ...
ঈরোক লাইচম লৈমা
শান্না থাংথোং পোকপী
মপন পলেম মমানা
পামেল ব্রাংনু নমথোইবা
তল্লা অরেম্ববু থীকলেন
থাদা কোননা পাওমেল্লকএ।
... .... ...
চেঙেঙৌ ফা হাপ্পা
য়েরুম কাং খিন্না
হৈরাং অশং য়েন
তাউজীং অমুন খল্লদুনা
পারি ইবুংঙো নঙগী
তল্লা মমন হল্লমলে।
... .... ...
হয়েং কৌবা ঈনুং শোয়রক
চীংলেন নোংগা ঙাল্লকলবদি
শীংজঙ লৈতোই তৃপ
তোংজেং নাউমৈ ককনা
লাইরেনশাংবা য়াতাগে হায়রঙেনে
... .... ...
তরঙ লাইজা মরাঙহৌ
মিৎকোই লাইজা ঈফমতাউ
চীংজুম লাইজা ইফুৎথোক্কুম
কৌবা ঈ হৈথবগুম
কোরৌ নোংখোংবগুম মিকপখিয়ে।
(*থায়নগী শৈরেং*, লাঃ ২৮-৩২)

মথক্তা পীজখ্রিবা 'হিজন হিরাউ' গী ঈশৈ অসি পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা মহাক্কী লাইরিক *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* তা মমুৎ তানা নৈনরি। লাইরিক অসিদা 'খৃৎলং ঈশৈ' গী মতাংদসু 'নোংথাংলৈমগা হারাবগা পাউশানবা' অসিদা ময়েক শেংনা উৎলি। মখাদা পরেং খরা পীরিঃ

শুন তরঙগী মথক্তা
মৈরাগী মশক কুমনা
ঙাল্লশানা লৈরিবী নঙবু
পায়মা ঐনা নুংচঙবী
তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,
পেম্মা নঙবু কনানো?
হোয়দা হে নহাবা অপিশা
লৈকু মরুম খোইচোপ্পা
লৈরাই মরুম খোইহাইবা
লৈতুম হুন্না পাউশাবা
ইপল পুল্লাং কায়রেদো
শিংবিরোইবু হায়বরা
... ... ...
হে পেম্মা নীংথিবীও
খিং খিং লৌজসে
পান্না লৌজসে
হে ইবুং নাহাবা ও
য়ারৌদগী শঙাইনা
মচী কেক্রু থোক্তরি
ললহামপুংগী কাকফৈনা
মনা হুমাই শাদরি
তোকফমদগী ঙমুনা
খোইজু তিল্লোং চিন্দরি;
কোংবদগী ঙাখাদা
চেঙোই কানক নাক্তরি,
শূকনা মৈহে য়ান্দরি,
য়াংকোকনা মপান শাগ্রি
নোংমৈ লৌজখিয়ে।
(*থায়নগী শৈরেং*, লাঃ ৮৩-৮৪)

মথক্তা পীরিবা পাউশা ঈশৈ অসি নুংশি-নুংঙনগী ওইবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি নুংশি-নুংঙনগী ওইবা পাউখোঙগী ওইবা মচাক কয়ামরুম য়াওরি। মসি মণিপুরী ফোকলোরগী মচাক ঙাক্তনি।

*থায়নগী শৈরেং* লাইরিক অসিদা 'ফৌশু ঈশৈ' অমসু য়াওরি। মণিপুরদা ঙল্লিঙৈদগী হৌনা নুপীশিংনা শুম্বন্দা ফৌ হাপ্লগা শুবা চেঙ (শুম্বল চেঙ) অসি য়ান্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী তৌনদুনা লাক্লি হায়বসি ঈশৈ অসিনা তাক্লি। নুপীশিংনা মখোয় মখোয়না তৌগদবা মথৌশিংগী মনুংদা ফৌশু-চেঙশু-গী থৌদাং লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা খাঙনবা অমদি ফৌশুবগী অৱাবা কোক্তুনা থবক য়াংশিন্নবগীদমক্তা শক্লবা ঈশৈনি। মসিনা মণিপুরী ফুরুপকী ৱাহৈ-ৱাতা ময়েক শেংনা অতোপ্পা ফুরুপকী লোন খোৎচিনবা লৈতনা মশাগী অশেংবা মওংদা শক্লবা শিনশু-শিনবাং ঈশৈ অমনি। মখাদা পরেং খরা পীরিঃ

... ... ...
শীং চল্লকই হায়রগা
ফৌ পুরকপা য়ানবা
নঙনা চাকপু হায়রগা
ফৌগাক শজিক নমথিবা
চাকপু শানা পীজগে।
নঙনা য়েঙ্খাং হায়রগা
লফু য়েনগং থুমনমদবী
য়েঙ্খাং শানা পীজগে।
নঙনা ঙাবু হায়রগা
খোংবান্দগী ঙাচকতো
ঙাবু শানা পীজগে।
নঙনা থুম্বু হায়রগা
ফকলাংদগী লৈপাকতো
থুম্বু শানা পীজগে।

(*থায়নগী শৈরেং*, লাঃ ১২)

মথক্তা পীরিবা শিনশু-শিনবাং ঈশৈ অসিনা তাক্লিবদি শীং চনবীরকউ হায়না চৎপ্রগা ফৌ ওইনা পুরক্তুনা ফৌগৈ চেঙগৈ থলহনবনা মরম ওইদুনা নুপী ওইবী মখোয়তনা ফৌশু-চেঙশুগী থবক্তা অৱাবা শরুক ওইহনগদৌরি। তাইবং লোনচৎকী মতুংইন্না নুপা নুপী অনী য়ানরবনি হায়দুনা নুপীবু ৱানবতা শীনবদি নঙনা চাক চারগে পীরো হেক হায়বগা ফৌগাক চেঙগী চজিক মনম নমথিবা অদু শাহল্লগা পীজগে। য়েঙ্খাং পীয়ু হায়রগা লফু অখুইবা থুমনমদবা অদু য়েঙ্খাং ওইনা পীজগে অদুগা ঙা পীরো হায়রগা খোংবান্দা লৈবা ঙাচক অদু ঙা শাদুনা চারো হায়না পীজগে। থুম হাপ্লকউ হায়রগা ফক্লাং লৈবাক ওইনম্বদু থুম ওইনা হাপ্তুনা পীজগে। মথক্তা পীরিবা ঈশৈ অসি ফৌশু-চেঙশুবগী অৱাবা কোক্লবা শুথা খুদিং চাননা শকপা ঈশৈ অমনি।

*চাদা লাইহুই* (১৯৬৬) লাইরিক অসি মণিপুরী ফোকলোরদা য়াম্না কান্নবা পীবা অমনি। লাইরিক অসিদা লমগী মমিং কয়া থোনবগী ৱা য়াওরিবশিং অসিমক 'place-name legends' গী ৱারী ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা লাইরিক অসিদা নিংথৌশিংগী মমিং পরেং অমা মখোয় মখোয়বু পোকপীশিংগী মমিং খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গী অহল-লমনশিংনা লৈরম্বা লমশিংগী মমিং খঙহল্লি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা লাইরিক অসিদা মৈতৈগী অহানবা নিংথৌনি হায়না লৌনরিবা নোংদা লাইরেন পাখংবা (খৃঃ ৩৩) নিংথৌ ওইখি হায়রিবা অসিগী মমাগী মমিং অসি 'চাখা নুরোন পিরোন য়াম্বী' কৌই হায়বসিদগী হৌরগা মথং মথং পীরি। অসুম চথরকপা অসিনা মহারাজ চন্দ্রকীর্তি সিংহ (১৮৫০-১৮৬৬) মণিপুরগী ৭২ শুবা নিংথৌ ফাওবা ইরি।

*চায়নরোল* (১৯৬৮) কৌবা লাইরিক অসিদা মণিপুর মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী অকন-অথৌশিংনা শীংনদুনা চাংয়েংনরম্বগী ৱারী ২৭ (কুনতরেৎ) য়াওরি। মসিদা য়াওরিবশিং অসিনা মতমদুগী অকন-অথৌশিং অদুনা মখোয়গী মথৌনা

পুঙ্গিবা অমসুং (৯) মার্জিং নি। মণিপুরী লাই-হরাউবগী লাইরোই নুমিৎতা শক্লবা 'ঔগ্রী' গী ৱাহঙ্থোক লাইরিক অসিগী লামলায় ১৯ দা অসুন্না পীরি। ঔগ্রী অসি খুঞ্জাউ লৈচাউনবা, খুন্তাক লৈতাকনবদা শীজিন্নবা লাইরোন ঈশৈ মখল অমনি। মসিগী ঈশৈ অসিবু লৈরোই নোংলোই ঈশৈ হায়নসু খঙনৈ। মণিপুরদা লৈরিবা অখণ্ড-অহৈশিং খরনা মণিপুরীগী তোপ-তোপ্পা মহৌশাগী মশান্না অমা ওইরিবা 'খোঙ কাঙজৈ' অসি 'মুক্লা কাঙজৈ' হায়না হেক হেক ইনবা অমদি শীজিন্নবা থেংনৈ। লাইরিক অসিগী লামায় ২৪ দা 'কাঙজৈ' হায়রগা ৱাহঙ্থোক্তা অসুন্না পীরি। ''খৃৎনা কাঙজৈ পায়রগা কাঙক্রম য়ৈদুনা শান্নবা মশান্না অমা, কাঙজৈ মখল য়ামই মদুদি খোঙ কাঙজৈ, শগোল কাঙজৈ।'' ৱাহঙ্থোক অসিনা 'মুক্লা কাঙজৈ' হায়বগী মহৎতা 'খোঙ কাঙজৈ' হায়বনা চুমই হায়বদু পণ্ডিত অসিনা তাক্লি। লাইরিক অসিগী লামায় ৯৭-৯৮ দা 'নিংথৌ ফি', 'নিংথৌ ফি তাজিন', 'নিংথৌ ফি ৱানফক', অমসুং 'নিংথৌ ফি শাজোনবা' হায়রিবা ফিশিং অসিগী মরমদা তাক্লি। মসিদা নত্তনা লাইরিক অসিদা ফোকলোরগী ওইবা মখল কয়ামরুম য়াওরি। পুন্নমক্তু খৃদম পীদুনা নৈনবদা য়ান্না শাংদোকখ্রগনি খন্দুনা খরখক লৌখৎলগা খৃদম ওইনা পীজবনি। তশেংনমক, লাইরিক অসিদা মণিপুরী ফোকলোরগী শক্লোন কয়াবু ময়েক শেংনা তাক্লি। মসিমক্লা মহাক অসি মণিপুরী ফোকলোরবু মশক নীংথিজনা খঙবা মীশক অমনি। অমরোমদা হায়রগা মহাক অসি মণিপুরী ফোকলোরিষ্ট অমনি।

*চোথে থাঙৱায় পাখংপা* অমসুং *নুংপান পোমপী লুৱাউপা* (১৯৮০) কৌবা ৱারী অনীমকসি মীতৈ ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা ইথোকপীদুনা থম্বীরম্বা অসিমক্লা ৱারী অসিগী ৱারী অমদি মণিপুরী নাৎকী মরমদা খঙবা পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা ঙমহল্লে হায়বা য়াই। ৱারী অনীমকসি ফোকলোরিষ্টশিংকী মিৎয়েংদা 'মিথোলোজিকেল লেজন্দ' নি। মখল অসিগী থাজৱারী (লেজন্দ) অসিবু মিথোলোজিকেল লেজন্দ কৌরুবগী মরমদি ৱারী অনী *চোথে থাঙৱায় পাখংপা* দনা 'চীংঙু সোরারেন' অদুগা *'নুংপান পোমপী লুৱাউপা'* দনা 'লৈনুং খোঙঙারেন' অসি য়াওরি। মণিপুরী খুন্নাইনা লাইনি হায়না থাজনরিবশিং অসি ৱারী অনীসিদা য়াওজরবসু থাজ-ৱারী (লেজন্দ) গী মচাকশিংনা হেন্না য়াওবদগী ৱারী অনী অসিবু ফোকলোর নৈনরোলগী মিৎয়েংদা 'মিথোলোজিকেল লেজন্দ' গী মখলদা থম্লিবনি। *নুংপান পোমপী লুৱাউপা* অসিগী ৱারীদা লুৱাউপাগী তালোয় কৌবরোল নামোইনুনা শিরবা মতমদা অশিবা মশা অসি শুমাঙগী খাঙঙেনফমদা থমই হায়বগী ৱাফম য়াওরি। মসিনা তাকপদি মণিপুরীগী নাৎকী চৎনবী ওইনা হৌজিক ফাওবা চৎনরিবা শিরবা মতমদা খাঙঙেনফমদা থমই হায়বগী মতাং অদু *নুংপান পোমপী লুৱাউপা* গী ৱারীদা য়াওবা মতেক অদু মখাদা পীরিঃ

সরীক খিং খিং নাইহুই খীঙ, চৈরৈ মায়খন তৈনা অমন খাঙলে চল্লে।

(*নুংপান পোমপী লুৱাউপা*, লাঃ ২৪)

*চীঙ্গোইরোল* (১৯৮২) লাইরিক অসি মণিপুরী ফোকলোরগদি য়ান্না মরুওইবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা চীংশিংগী মমিং থোল্লম্বগা লোয়ননা মখোয়শিংগী মতীক মগুনশিংসু থাদুনা ইরম্বা লাইরিক অমনি। মসিগীসু মথক্তা লাইরিক অসিদা ঈরাৎ থৌনিগী ওইবা ৱাফমশিংসু য়াওরি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মরুওইবশিং অদুদিঃ

১) ***চীংলোন লাইহুইঃ*** মসিনা তশেংনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লমদা মরুওইবা চীংশাংশিংদা লৈবা লাইফম অমদি মফমশিং অদু করি করি ঈরাৎ থৌনি তৌগদগে, ঈরাৎপা অদুদা করি পোৎচঙ চঙবগে অমদি করি লাইশোন তৌগদগে হায়বদু য়াওনা ইবা লাইরিক্লি। মসিদা য়াওরিবা চীংশিংদি-

নোংমৈবুং, ললাম্বুং, পিশুম, চীংঙা, চীংথাং, লাংজিং, চীংখম, চীংখু, ফুনান চীং, ফোইজিং, লোকপা চীং, লোইজিং, কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং অসিনচিংবা চুপ ওইবা অমদি মরুওইবা চীং কয়াদা লৈবা লৈফমগী মমিং অমসুং মদুদা ঈরাৎ থৌনি তৌনবগী মরমদা ইবা লাইরিক্লি। মণিপুরদা নোং তাদদুনা ঈকং থোক্লবদা লাংজিং চীংগী নোংজুখোংদা লাই খুরুম্নবা – পোৎয়াও চৈয়াও লাইশোন অমদি লোইজিং চীংদা লৈবা অরোন নূংগী ঈরাৎ থৌনি তৌরগা নোং চুগনি হায়বসিনি।

২) *হৈবোক চীঙ্গোইবাঃ* লাইরিক অসিদা হৈবোক চীংদা লৈবা লাইফম অমদি করি করি ঈরাৎ থৌনি তৌগদগে তাকপা লাইরিক্লি।

৩) *থাঙ্গা ঈরাৎলোন চীঙ্গোইবাঃ* লোক্তাক পাৎতা লৈবা থাঙ্গা চীংগী হৌরকফম, চীং অসিগী লম্মিৎ-তুমিৎ অমদি ঈরাৎ থৌনি তৌবা য়াবা মখলগী মরমদা ইবনি।

৪) *চীংশালোনঃ* মণিপুরদা লৈরিবা চীংশিংগী হৌরকফমগী মরমদা ইবা লাইরিক্লি।

৫) *নোংমাইজিং থিরেনঃ* নোংমাইজিং চীংদা লৈবা লাইফম, হীদাক-লাংথক, লাইশোন তীনশোন অসিগী মরমদা ইবা লাইরিক্লি। লাইরিক অসিগী অতোপ্পা মমিং অমনা ''লৈকোই চিকংলেন'' হায়নসু খঙনৈ।

৬) *নোংমাইজিং চীঙ্গোইবাঃ* নোংমাইজিং চীং অসি ইরোক লাইফম তরেৎ, চীংশা নাপোম মাপনশুবা অমনি। চীং অসিদা লৈবা লোক অমদি লম্মিৎ-তুমিৎকী মরমদা করি থৌদোক্তগী মতৌ করম্না চীং অসিদা লৈবা মফমশিং অদু মমিং থোনখিবগে হায়বগী লাইরিক্লি।

৭) *লাঙ্গোল চীঙ্গোইবাঃ* লাঙ্গোল চীং অসিদা লৈবা লোকতায় অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মমিং করি তৌবদগী করম্না থোনখিবগে হায়বগা লোয়ননা লম্মিৎলোন য়াওবা লাইরিক অমনি।

মথক্তা পীজখিবা অসিদগী খঙলে মদুদি *চীঙ্গোইরোল* কৌবা লাইরিক অসিদা তোঙান তোঙানবা চীংগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং য়াওরি। লাইরিকশিং অসিদা য়াওরিবশিং অসি ফোকলোর নৈনরোলগী মিৎয়েংদা য়েংলুরবদি 'Place-name legends' গী মচাক কয়া য়াওবগা লোয়ননা ঈরাৎ থৌনি তৌবদা চঙগদবা পোৎচঙ চৈজঙশিং হায়বদি 'Material Culture' হায়বা ফোকলোরগী মরুওইবা শক্লোন অমা ওইরিবসিগী মচাকশিংশু মরাং কায়না য়াওরি।

পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা মণিপুরী নাৎ অমদি ফোকলোরগীদমক্তা তৌরম্লিবা থবকশিং অসি তশেংনমক মণিপুরী খুন্নাইনা কাউবা ঙম্লরোইদৌবা মণিপুরী মচাশিংগী লাইপোক ওইরবশিংগী মনুংদা পণ্ডিত অসিসু অমনি। মণিপুরী খুন্নাইগী মশক তাক্লবা হোৎনবদা অমদি খুন্নাই অসিগী মাঙলমচৎতগী হৌনা লৈরক্লিবা চৎনবী, থাজনবী, পূম্নি মরেল, লাইনীং লাইশোন, মশাম্না, জগোই ঈশৈ, ফিজেৎ, চাকচা-য়িথকনচিংবশিং কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা তৌরম্লিবা ফোকলোরগা মরী লৈনবা থবকশিং অসিগী মতুংইন্না পণ্ডিত অসি মণিপুরী ফোকলোরিষ্ট অমনি হায়বদা মতীক চপ চারবনি।❑